## এডিটোরিয়েল

# ইন্টরনেস্নেল এয়ারপোর্ট নীংশিংলক্পা

খ্বাইদগী চাউথোকচনিংঙাই ওইবা মওংদা মণিপুরগী চিফ মিনিষ্টরগী ইজ্জৎকা লোয়নবা থৌশিন অমদা মমাং চহীগী নবেম্বর তাং ২১ দা শঙ্গাদনা লাকখিবা ইম্ফাল এয়ারপোর্ট অসি মন্দলেদগী গোল্ডন ম্যান্মার ফ্লাইট অমা তাহন্দুনা এয়ারপোর্ট অসি শঙ্গাখিবনি। মদুগী মতুং তারকপদা ইম্ফালগী এয়ারপোর্ট অসি ইন্টরনেস্নেল ফ্লাইট অমত্তা তারক্তবনা মরম ওইরগা ইন্টরনেস্নেল এয়ারপোর্ট অমা ওইরে হায়বসি চহী অমা চুপ্পা কাওথোকখ্রে। হন্দক অমুক সঙাই ফেষ্টিভেল য়ৌরকপা মতমদা অমুক ইম্ফাল এয়ারপোর্ট অসি ফেষ্টিভেল অসিগী মনুংদা ইম্ফাল–মন্দলে নোংথক লম্বীদা শম্নহন্নবা শেম শারে হায়না ফোংদোরকপসি চহী অমা চুপ্পা করিগুম্বা থৌশিল অমত্তা ইম্ফালদা ইন্টরনেস্নেল এয়ারপোর্ট লৈহন্নবা হোৎনবদা ষ্টেট গভর্নমেন্টনা পুক্নিং চঙদে হায়বসি তাকই। করিগুম্বা ষ্টেটনা ইন্টরেষ্ট লৌরম্বা তারগদি গুৱাহাটি এয়ারপোর্ট অসিগা মান্নবা থাক্তা লৈব মক নৎত্রবসু মরক–মরক্তা ইন্টরনেস্নেল ফ্লাইটশিং তাদুনা ইম্ফাল এয়ারপোর্ট অসি অপগ্রেট তৌরবা এয়ারপোর্ট অমনি হায়বসি খঙহল্লম্বা য়াবনি। অদুবু চহী অমা অসি পুমচিক চিল্লা লৈরুরবা মতুং নৌহৌননা য়ুমথংনবা খ্বাইদগী নক্নবা লৈবাক অসিগী মমাংদা তাখ্রবা ফ্লাইট অমা অমুক চহী অমগী মতুংদা তারগা ফেষ্টিবেল অমগী মনুংদা ইন্টরনেস্নেল এয়ারপোর্ট অমা ওইহনবগী ফিভমদা লৈহনবা তারগদি মদুনা হেন্না ফৎতবা মওং অমা ওইহল্লকপা য়াই হায়বসি মীয়ামগী লুচিংবদা খঙহন্নিংই।

অমরোমদা য়েংলগসু সাউথ–ইষ্ট এসিয়াগী লৈবাকশিং অসিগা ইন্দিয়াগী লুক–ইষ্ট পোলিসিগী মখাদা ইম্ফাল এয়ারপোর্ট অসি চাওখৎহন্দবা য়াদবা মালং হিথাংফম অমা ওইখ্রবনি। মসি চাওখৎহন্নবা শেন্ফম কয়া অমসু মমাংদগী মরি লৈনবা সেন্ট্রেল গভর্নমেন্টকী মিনিষ্ট্রিনা থাদরকখ্রবনি। শেন্ফমশিং অদু কদায় ফাওবা নিয়ম চুম্না শিজিন্নখ্রবগে হায়বদুদি মীয়াম্না অদুম্মক খঙবা ঙাক্তনি। মসি ওইরবা ফাওবা মরি লৈনবশিংনা শেনফম কয়া মাঙহন্বদা তুমিন্না লৈশিন্বা হায়বসিদগী হৌজিক ওইরিবা ফিভম অসি লাকহনখিবা ওইরম্বসু য়াই হায়বসি মরি লৈনবা ওথোরিটিশিংনা খঙদবসি ষ্টেট অসিগী খ্বাইদগী লাইবক থীবনি। ইন্টরনেস্নেল এয়ারপোর্ট হায়বসি চহী অমদা অমুক নত্রগা অনিরক তারগা হেক্তা ওন্বা য়াব্রা। চহী খুদিংগী অমুকখক অতোপ্পা লৈবাক্কী এরোপ্লেন অমা তারগা ইন্টরনেস্নেল এয়ারপোর্ট ওল্লে হায়বা য়ারোই হায়বসি লৈবাক মীয়াম্না খঙই। অদুবু মীয়ামবু অপঙবনি হায়না লৌরিবা মীখল লাকপদা হৈ শিংবা লুচিংবশিংনা খঙদবা অমসুং মীয়াম্বু লান্না লমজিংনবা হোৎনরকপা থৌওং অমগুম উহল্লকপা অসিদি য়াম্না খাঙবা ৱাবা মওং অমনি হায়না মীয়াম্না লৌনৈ। হায়নিংলিবদি হন্দক্কী মণিপুর সঙাই ফেষ্টিভেল অসিদা লাক্কদৌরিবা অতোপ্পা লৈবাক কয়াগী পোলো শান্নরোইশিং অমসুং ফেষ্টিবেল অসিদা ষ্টোল হাংদুনা মীরৈবাক্কী পোৎলম কয়া য়োল্লগদৌরিবা মীওইশিংদা ইম্ফাল এয়ারপোর্ট ইন্টরনেস্নেল কন্নেক্সন লৈরবা খুদোংচাবা কয়া ফংহনবা ঙম্লগদবা এয়ারপোর্ট অমা ওইরবনি হায়বসি খঙহন্বা তাই। মদুগীদমক এয়ারপোর্ট অসিদা ইন্টরনেস্নেলগী থাক্তা চৎনরিবা খুদোংচাবা পুন্বা লৈহন্নবা মাংজৌননা শেমগৎপগী মথৌ তারি। মদু লৈতবদগী ষ্টেট অসিগী রেভিন্যু ফাওবা খোমগৎপা ঙমদবনি হায়বসি নৈনফম থোকই। চীনগা খুৎকা মান্নদবসিসু অৱাবা অমনি।

## এডিটরদা থারকপা চিঠি

### জয়েন্তগা ইন্সেপক্ট টি ভি গা উনবা য়েংলুবদা

*ইকাই খুম্নজরিবা এডিটর,*

*মণিপুরগী মশক নাইবা শৈশকপা কয়াগী মনুংদা অমা ওইরিবা জয়েন্তা মীয়ামগীনা ‘তপতা’গা ইন্সেপক্ট টি ভি গা উনবগী থৌরম মনুং–হুৎনদা য়েংলুবদা করিগুম্বা ৱাহং খরদি ইথন্তা হংজনিংহল্লি। শৈশকপগী তোপ তোপ্পা মশক কয়াসু তশেং তশেংনা উবা ফংখি। মহাক্কী ইন্টরভিউগী ৱারি পরিংদুদা এঙ্করগী হৈ শিংবা ৱাহৈনা জয়েন্তগী পুক্নিংগী ৱা চিংথোকপা ঙম্বা অদুনা এঙ্করদু করম্বা থাক্তা লৈ হায়বদুদি ৱাহৈনা তাকপদা ৱারগনি।*

*থৌরমদুদা নুঙাইখিবা মতাং অমা হায়রগদি, মণিপুরদা আই এল পি চৎনহনবগী মতাংদা জয়েন্তগী ওইবা মত কয়া পিখিবদুনি। মহাক্না হায়বদা মণিপুরদা আই এল পি সিস্তেম চৎনরবসু মীয়াম্না পাল্লিবা অদুমদি নিংবা থুংগনি থাজদে। ষ্টেট অসিদা আই এল পি চৎনবা তারবসু শেনজা থুমজা তৌদুনা মীতোপ চংশিল্লক্কনি হায়বা ৱাফম থমখিবসিদি তশেংনা খন্নবা য়ারবা ৱাফম অমনি। মোরে, জিরিবাম অমদি সেকমাইগী মফম কয়াদা আইন ঙাক্লিবা কাংবুনা আইন ঙাক্লিবরা নত্রগা থুগাইরিব্রা হায়বসিদি মীয়াম্না খংনরবা ৱাফমনি। মসিদা নত্তনা জয়েন্তনা হায়বদা আই এল পি চৎনরবা মতুংদসু আইন কায়না মীওই কয়া শোয়দনা চংলক্কনি মখোয়দগী আইন কায়না পৈশা অদুম। অদুম ওইরবদি আই এল পি চৎনবগী ৱাহল্লোক লৈগনি। জয়েন্তগী ৱাফম অসি হেক তাবদা মরিং মরাংবা ওইনা থোক্লবসু করিনো কদাইদনোমদি চল্লি হায়না লৌদবা য়ারক্ত্রে।*

*মহাক্না খুন্নাই অসিদা লৈরিবা অমোৎপা অমদি চৎনবা য়াদবা থৌশিল কয়াসি ঈশৈগী থোউদা পুরক্তুনা মীৎ মাই পাংহন্নবা হোৎনরি। খুন্নাইবু অফবা মাইকৈদা শেমদোকপা পাম্বা অশেংবা রিফোর্মিষ্ট অমগী অচৌবা মমি অমদি মঙোন্দা তাদুনা লৈরি। মীয়ামগী থবক তৌবদা অকিবা লৈতবা অমদি অমোৎপা চৎনরোলশিংবু কলাগী থোউদা করেম্নবা ঙম্বা মহাক্কী থৌনাসিদী ঙসিগী লুচিংবশিংনা তমজফম ওইবা য়াই। অদুবু লুরিবদি মণিপুরগী লুচিংবশিংনি হায়না লৈরিবা এম এল এ শিং অসিদি রাজনিতি খক্তনি হৈবা, মীয়ামগী অপাম্বনা করিনো হায়বা খঙনা থবক তৌবা হৈবদি অমতা য়াওদে। হেক য়েংথোক্লুবদা সরকারবু করেম্নবা য়াবা হীরম কয়া অমদি পৈ পৈদুনা লৈরি। ঙাংলুবগীসু থোইনা কান্নদে, তাগদৌরিবা মখোইগী মনাশিংদুনদি ত ারোইদবনিনা। মখোয়গী ৱাখলদদী ইশ্বরনা না মখুন অনি পাল্লস্লিবসি অমদা তারগা অমদা থাদোকখিনবনি হায়না খল্লমগনি। নাকোং মখুন অনি পাল্লিবসি মুন্না তাশিন্নবনিদি খক খল্লমলোই। মখোয়বু লুচিংবনি হায়না থাগৎলক্লিবা মীওইশিং অসিসু অঙকপনি। ঐখোয়সি প্রজানা খনবনি, অরানবা তৌরবসু প্রজানা য়াফম থোকই’ হায়বা মখোয়না খন্দুনা লাকখিবা ৱাখনদু লংথোকখিবনা ফরে।*

*লৈকাইদগী য়ুম, য়ুমদগী ঐ হায়দনা ইশাগীতা খন্দুনা লৈখিসি হায়রিব্রো লমদমসিগী লাইরিক হৈবা–শা ?*

*প্রমান পাম্থে কয়া লৈরিবশিংদো থেংনরক্তব্রো মীয়ামসিবো। লাইরিক হৈতবা ঐ ফাওবা খরদি খংলে। লমগী ষণনা মচি শাংলে, হৱাই মতোন্না শম্বল চারে, অরোইবদদি চানবা লৈতে তখেম্থাং কুইদ্রে। কুইদ্রবা মতমদো ঙাইমিন্নখিসি হায়রিরো। অসিগুম্বা ৱাফম কয়া পোকহনখি জয়েন্তগী ইন্টরভিয়ুদুনা*

*অদোমগী,*
*নোংপোক*
*ইম্ফাল ৱেষ্ট*

## খোইরেনগী মপাও

# মাঙ্গোলঙানবীদি খজিক্তনি নোকখিবা

লৈকায়গী অহন–লমন শুনা তিল্লে, শাগৈগী মী শুরে। মৈরাপায়বীগী সেক্রেটরি ইবেমহন্না চন্দ্রগা মাঙ্গোলঙানবীগা কৌথোক্তুনা মীয়াম মমাঙদা ফমহল্লে। মতৈ –মনাও অনিমক শুরবদা ৱা খন্নবা হৌরদুনা মপুরোইবা চন্দ্রগী ৱারোল তাশি হায়দুনা হৌদোকপদগী চন্দ্রগী ৱারোল থমলকই। ঐগী নুপীসি লম্বালদা পেট্রোল বোতলদা য়োনবীনি হায়বা মীয়াম্না খঙই, ঙরাং নুমিদাং ৱাইরমসি মোটোর সাইকল থৌবা নুপা অমগা থাও হানবগী নামাদা অরোনবা ৱারি শান্নবদু ইমিৎ মক্না উরম্বদগী খৎনা–চৈনবা হায়বদু ওইরে। লৈকায় তিল্লে, শাগৈ পল্লে। মরমচৎ ফজদবা নুপীশি ঐ গা লৈমিন্নবা ঙম্লরোইহায়দুনা তানবদা চৎলু য়াদবদগী ঙসিগী মীয়াম পুল্লিবনি। ঐ গী ফিরেপ্তী মাবু লৈমিন্নবদা লৈকায় মমাংদা ইজৎ তাগদবদু ঙমলোই হায়বসিনি। মপুরোইবগী ৱারোল তারবা মতুংদা মহাক্কী ইবেম্মা মাঙ্গোলঙানবী মাইথোংদা মকালাম্না মীয়াম মমাংদা থোরক্তুনা মখা তারক্ই– ঐ লম্বালদা থাও য়োল্লি, থাও হানবগী খামলকপা নুপা অমা মমীত্তা তিল চংখিদুনা মমীৎ পাংবা য়াদ্রে। মশাগী মমীৎতা চংবা তিল মশানা লৌথোকপা য়াদবদগী ঐ না লৌথোক্লুবনি। মীৎতগী তিন লৌথোকপসি য়াম্না নকশিন্দ্রবদি উদে। ঐ গী ফীজিদা তিন হায়ফেৎ চোৎহল্লগা মমীৎ ফাকতোক্তুনা তিন লৌথোক্লুবা নুপাদু ঐখোয় লৈকায়গী তাদা ইবোহল ওইরমদুনা ঙৈহাক অৱা নুঙাই ৱারি শাবদা নোক্লুবা খক্তনি। থাওগী ৱদি তাদদু লিটর অমখক হানগে তৌবদা মঙানি হানখ্রিবা। শেন্দোং লুপা ২০০ মুক ফংহৌরিবনি। শেন্দোং ফংবগী নুঙাইদুনা য়ুমদা হঞ্জিল্লকপদা য়ুমগী নুপানি হায়দুনা ইমুংগী থোংনাওদা ঐগী ইতৌ লোন্না য়েংলগা করি ৱারি শান্নরিবনো হায়বদি খংদবা, লমচৎ ফজদে নপাম চৎখ্রো হায়বা ৱাহৈশিনা ইরাই




লাইনা হায়বা ঙম্বা নুপাশি ঙসি শাগৈগী অহন পুল্লিঙৈ, লৈকায়গী মৈরাপায়বী ইচে–ইনেম ময়াম্না অমুক্তা ৱারক্তুনা ভাব তাহনবিরম্মু হায়রগা মীয়ামদা খুরুম্মী। ময়ামনিনা ৱারি তোঙান তোঙাল্লি। মীৎ তা চংবা তিল লৌথোক পসি মায়গা–মায়গা অদুক্কী মতিক নক্নগনি । য়ুম পাল্লবা নুপী অমনা লম্লানবা নুপা অমগী মমায়দা নকশিনবা হায়বসি তৌহৈদবা থবক্লি হায়দুনা মাঙ্গোলঙানবীবু চৈবিবা য়াওই। মচি অমদনা – নুপীনা লম্বী থোক্তুনা শেন্দোং তাল্লগা নুপানা য়ুমগী থোঙনাওদা য়েংদুনা লৈবনিনা নুপীনা মপামদা চৎখিগদবা নত্তে, নুপা মা কদায়দনো থোঙনাও পান্দবা কা অমদা লৈগদবনি হায়নবা য়াওই। শাগৈগী নহা অমনদি থাও য়োনবদা থাও হানবা লাকপা নুপাগী মীৎতা চংবা তিল লৌথোকপসি মনুংদা অর্থ অমা লৈফম থোকই হেক হায়রকপদা চুম্মি চুম্মি হায়দুনা ইরাং লাংনৈ। লাংনরিঙৈদুদা মৈরাপায়বীগী সেক্রেটরি ইবেমহলনা খবরগী ৱারোল অমা থমলকই। সরকারনা ব্লেক্তা থাও য়োনবা থিংখ্রে, ফাননবা থানা সিফাই থাদোক্লে। সরকারনা থিংলবনিনা মাঙ্গোলঙানবীসু হয়েংদগী লম্বালদা থাও য়োল্লরোই। গারি থৌরকপা মীগী মমিৎতা চংবা তিল লৌথোকপসু তৌররোইদবনিনা নখোয় নতৈ ননাও অনি খৎনবা, খায়নবা য়াদ্রে হায়বা ৱারেপ লৌরে হায়দুনা লোইশিল্লি। মীয়াম মথং মথং হৌগৎনখি। চন্দ্র মাগী নুপী অতোপ্পা নুপাগী মমীৎ ফাক্লরোই খন্দুনা নোংফেৎ তৌই । মাঙ্গোলঙানবী শিংহৌদবা থাও সরকারনা লম্বালদা য়োনবা থিংলনি হায়খ্রবনিনা হান্নগী মমল হেনগত্তুনা শেন্দোং হেন্না ফংলগনি খন্দুনা নোকফেৎ তৌই। য়ুমগী নুপানা শাওরবসু শেন্দোংবু ফংলবদি থেন্বা য়াই খংবদগী হায়ফেৎ তং নোকখিবা মঙ্গোলঙানবীনি। লৈবাক মীয়াম্না শাওরবসু মশাগী শেন্দোং হেন্না ফংলিবা অচৌ অচৌবা থাওগী পম্প লৈরিবা কাঙবুনা নোক্লমগদবা খুনোক তু অতৈ কনানসু নত্তে সরকারনা ব্লেক তা থাও য়োনবা থিংবগী পাওজেল অমা মীয়ামদা খঙহনবদগীনি।

# ফুট লিশিং ৩৮ গী অৱাংবদা এরোপ্লেন কাংখোংদা নপ্পা ঙম্বা নুপামচা

তাইবং মীওইবগী মচৎনি, ইনখৎলকপা মতম নুপাবু ওইরবসু নুপীবু ওইরবসু শারেপ চপ–চানা ফাদ্রিঙৈগী মতাং অসি মমা–মপা মফমদা নিংঙাই চক্রি কন্না তৌবগী মতাংনি। মমা মপা ওইবনসু খংলাক লাকশিনগদৌবসু খঞ্জানবা অদুগা মখোয়না হায়বা ৱা খন্থবা তৌদনা তরাইনা হেক্তা য়াবা হায়বসিসু ফরদি ফবা, ফক্তবদি মথক্তা তাবখক্তা নত্তনা মচাবুসু অরানবা লম্বেলদা চৎহলবগুম থোক্কদবা লৈবনা চক্রি তৌনবদগী উংখৎনবগী থৌদোক তোয়না থোক্তবা নত্তে। মসিনা মরম ওইরগা ইনখৎলক্লিবা তুংগী ৱাখল লাকশিনবা ঙমদ্রিবা, মহাক্না উরিবা অদুদগী নাক–য়েৎ উবা ঙমদবদগী অশাউবা মাঙওইনরগা ময়ুম থাদোক্তুনা চৎখিবা নত্রগা অরানবা লম্বেলদা খোঙ থাংজিনবদগী হেন্দোক্তুনা পোকঙমদ্রবা মপোক অসি ফাওবদা করিসু লৈতনা খনবদগী থৱায় ফাওবা থাদোকখিবগী ৱারী মশীং খঙদনা ঐখোয়না তাবা ফংলি।

মসিগুম্বগী অঙকপা ৱারীনি। কেলিফোর্নিয়াদা লৈবা হোনোলুসু কৌবা চহি ১৬ শুরবা নুপা মচা অমনা মালেমদা অঙকপা অমা ওইহনখি। নোংমা হোনোলুসু মমা মপাগা কন্না খৎনৈ, করিগুম্বা অমদগী। মসিদা মহাক্কী ৱাখলদা য়ুমদা লৈনিংদবা কন্না পোল্লককখি। ৱাখল অসিমক্তনা খোঙ থাংদুনা মহাক সেন্ট জোস এয়র পোর্তদা য়ৌরকই, অদুগা অমুক এয়ারপোর্টকী অকোয়বদা খারিবা শম্বল কাখৎলগা মনুং চংলকখি।

> মালেমগী অঙকপা থৌদোকশিং
> **ইবোপিশক লুৱাং**

মসিগী মতুং মহাক য়াম্না হৈ শিংনা লোত্তুনা পোর্ট অসিদগী অতোপ্পা এয়র পোর্ত অমদা পাইখিগদবা এরোপ্লেন অমগী কাংখোংগী নাকন্দা নপশিন্দুনা তোংখি। মসিদা য়াম্না নুংঙাইরিবদি পুং মঙা মখায়গী শাংলবা অতিয়াগী লম্বেল পাইরবা মতুং এরোপ্লেন্না মহাক্কী পন্থুংফম য়ৌরত্তুনা এয়ারপোটদা কুমথরকখি। এরোপ্লেন্না তারকপগা ইরোইননা তোংফম ইরৈ লৈতবগুম্না নাতৈ চাদবা মওংদা আইন কায়না তোংলম্বগী নুপা মচা ফাজিল্লি।

ৱাহং পাউহংবদা মহাক অসি মমা–মপাগা খৎনবদগী ময়ুম থাদোক্তুনা চেল্লক্লগা মহাক্না এরোপ্লেনগী কাংখোংগী শরুক্তা নপ্লগা শাংলবা অতিয়াগী লম্বেলদা পুং মঙা মখায়গী মতম তোংলকপনি হায়বসিদা চিংনবা লৈতনা খঙবা ঙম্লকখি।

মসিদা য়াম্না হেন্না ঙক্লিবনা ফুট লিশিং কুম্ভ্রানিপাল ৱাংনা পাইরিবা লোয়ননা মফম অদুদদি ওক্সিজেনসু মরাং কায়না ফংবসু নত্তে। অদুগীসু মথক্তা টেম্পরেচর মাইনস ডিগ্রি হুম্ফুনিথোইগী চিংশিন্না অঙৈংবদা মীগী থৱায় হিংবা ঙম্লম্বা হায়বসিসু অঙকপা অমনি।

মহাক্না মতৌ করম্না এরোপ্লেন অসিগী চক্কাদা তোংলম্লিবনো হায়বসি সেন্ট জোস এয়রপোর্ট গী সিক্যুরিটিগী ফুটেজদগী উবা ঙম্লকখি। নুপা মচা অসিনা এয়রপোর্টগী খারিবা শম্বল কাখৎলগা মনুং চংখিবগী মমি তারম্বদগী শোইদ্রে খঙলকপনি।

অমবু ওইরবসু অমবু ওইরবসু নুপামচা চাইল্ড প্রোটেক্টিব সর্বিসেজদা থাখি। অঙাংগী মথক্তা করিগুম্বা মখল অমতগী কেস লৌখৎনবগী খন্নখিবা লৈতে।

মসিগা হাইরপ মন্নবা মওংদা থোকখিবা থৌদোক অমা লৈ। হৌজিক থোক্লিবা থৌদোক অসিগী মমাঙদা নাইজিরিয়াদা চহি তরামরিগী নুপা মচা অমনসু মসিগা চপ–মান্নবা মওংদা তৌখি, তৌবতবু মহাক্কীদি সুপ্নতগী পুংখায় অমাগী পাইবগী মতম খক্তনি।

# তোঙান চারবা ইমুংশিংদা রেসন কার্দ ফংহন্নবা থৌরাং

সরকারনা মীয়ামদা মরুওইনা লায়রবা ইমুংশিংদা পাব্লিক ডিস্ট্রিব্যুসন মখাদা অতাবা মমলদা চেং–চাক, কেরোসিন থাউ ফংহন্নবা থৌরাং কয়া পায়খৎলবসু লায়রবা ইমুং কয়া অমদি মখোয়–মখোয়গী ওইবা থা– থাগী চাকথুং ফংদবগী সমস্যা ময়োক্লরি। মসিগী মপুং ওইবা মরুদি তোঙান চারবা ইমুংশিংগী তোঙানবা হাওস নম্বর লৈজদবা অসিনা থোক হল্লকপা অসিনি। মরমদি হাউস নম্বর লৈরবা ইমুংখক্তদা সরকারনা রেসন কার্ড পীথোকই অদুগা লৈকাই নত্রগা লমদম অমগী চেং–চাক অমদি কেরোসিনগী চাকথুং অসি হাউস নম্বর হায়বদি ইমুং মশিংগী ওইনা লেপথোকই। মসিদা মাঙজরিবা অসি সরকার অমসুং প্রজা অনিমক্তনি। রাজ্যা সরকারনা ষ্টেট অসিগী কোটা অসি সেন্ট্রেল পুল, ভারত সরকারদগী মী মশিংগী অমদি ইমুং–মশিংগী মতুং ইন্না ফংই অদুগা রেসনিং এজেন্ট অমদি কেরোসিন সব ডিলরশিংনা অমুক রাজ্যা সরকারগী মরি লৈনবা ডিপার্টমেন্ট এফসিএস হৌজিক্না কঞ্জুমর এফ্যারস, ফুড এণ্ড পব্লিক ডিস্ট্রিবুসন্না থা– থাগী চাকথুং লৈকায় নত্রগা ৱার্ডশিংদা রেসন কার্ড পায়রবা ইমুংশিংদা অহোংবা অমদি অতাবা মমলদা ফংহন্নবা হোৎনবা অসিনি। মসিদা ৱারিবা অসি রেসন কার্ড পায়জদবা মরুওইনা লায়রবা ইমুং বিলো পোভর্টি লাইন্দা লৈবা মীওইশিংনি মরমদি রেসন কার্ড পীবা অসি হাউস নম্বর তোঙান্না লৈরবা ইমুংখক্তদা পাংথোকই। মণিপুর রাজ্যা অসিদা হাউস নম্বর লৈজদবা তোখাইনা চারবা ইমুং কয়ামুক লৈতবা নত্তে। লায়রবা পনখৈ মনুংদা লৈবা মীওইশিংনা তোঙানবা মখোয়গী হাওস নম্বর লৈজদবনা থা– থাগী সরকারনা পায়খৎলিবা পব্লিক ডিস্ট্রিবিসন সিস্তেম অসিগী কান্নবা ফংদবত্তা নত্তনা লৈকাই লৈকাই অমদি ৱার্ড–ৱার্ডতুগী রেসনিং এজেন্ট অদুগা লাওন–শক্নবা, খৎনা–চৈনবা অমসুং নুঙাইনদবা কয়াগী ফিভম লাকহন্দুনা থা–থাগী চেং–চাক, কেরোসিন য়েনবা থিংজিনবা য়াওরক্লবা মতমনি মরমদি ইমুং খুদিংমক খুদোংচাবা ফংন্নিংই। করিগুম্বদা রেসনিং এজেন্ট নত্রগা কেরোসিন এজেন্ট অদুগা কার্ড পায়বা ইমুং অমসুং পায়দবা ইমুং থিদনা কার্ড পায়বা ইমুংখক্তগী লাক্লিবা চেং–চাক, কেরোসিন কোটা অদু চপ মান্ননা য়েনমিন্নদুনা অৱা– অনা তারবা ইমুংশিংবু খুদোংচাবা ফংহনবসু ময়াওরি। করিগুম্বা মফমদা কার্ড পায়দবা ইমুংশিংগী কোটা য়াওদে হায়দুনা কার্ড পায়বা ইমুখক্তনা মখেকায়– মখোয়গী থা থাগী পীথরকপা চাকথুং অদু ৱাৎপা তৌদনা ফংদবা য়াদবগী ইথিল লাকপসিনা লাইরবা রেসন কার্ড পায়জদবা তোঙানবা হাউস নম্বর লৈজদবা লায়রবা মীশিংদদি অৱাবগী মথক্তা অৱাবনি। অসিগুম্বা ৱাকৎ ময়ামশিং তোঙান– তোঙানবা ফোরমদা খন্নরকপদা নত্তনা রেডিও, টিভিদা মীয়ামগী ৱাকৎ অসি পুখৎনরকই।

লৈবাক মসিদা নত্রগা রাজ্য অসিদা ইমুং মশিং ইখৎপা অমদি মশিং থিবা অসি মীকোক মশিং থিবা( পোপুলেসন সেন্সস) অমদি পোল্লিং ষ্টেসনশিংগী ভোটর লিষ্টদা( ইলেক্টোরেল রোল) ভোট থাদবা য়ারবা মীওইশিং মমিং ইখৎপা মতমদা পায়খৎলি। অদুবু অয়াম্বা চহি ১০/১০ গী ওইনা মীকোক মশিং থিবগী থবক্তা পুখৎলকলিবা

> **ৱাই. ইবোয়াইমা**
> **এমসিএস(রিটয়ার্দ)**

হাউস নম্বর য়ুম মশিং অসি ইরাই লায়না ফংবা য়াদবনা মরুওইনা ভোটর লিষ্টতা য়াওরিবা হাউস নম্বরশিংদা মীচম প্রজা অমদি মরি লৈনবা ডিপার্টমেন্টনা থবক পায়খৎলি। মসিগী মথক্তা মীচম প্রজাশিংনা মখোয়– মখোয়গী পোল্লিং ষ্টেসনশিংগী ভোটর লিষ্ট( ইলেক্টোরেল রোল) অসি ইরাই লায়না খঙদোকপা ঙম্মী। অসিগুম্বা ভোটর লিষ্ট অসিদি চহি খুদিংগী ইখৎপা অমদি শেমদোকপা শাদোকপা চৎথবা হায়বসি ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়াগী তৌদ্রবা য়াদ্রবা মথৌ অমনি মরমদি মীপুম খুদিংমক্তা নাগরিক অমা ওইবগী হক ফংহন্নবা হোৎনবনি।

মরুওইনা মণিপুর রাজ্য অসিদা মহৌশাদগী জোইন্ট সিস্তেম চৎনবী লৈরকপশিনা ইমুং অমদা মচা কয়া পোকচরবসু মমা নত্রগা মপা অদুনা ইমুং অদুগী য়ুম্বুরেম্বা নত্রগা য়ুম্বীরেম্বী ওইরকই। অসিগুম্বা অচৌবা মীশিং য়াম্বা ইমুং অসিদসু ভোটর লিষ্টতা হাউস নম্বর অমখক্কী মখাদা লৈবা ভোট থাদবা য়ারবা মীওইশিংগী মমিংখক্তা হাপতুনা অসুম অসুম চৎনরকপা অসিনি। অসিগুম্বা ইমুং অসিদা মচানুপা ৫ পোক্তুনা তোখাই–তোখাইনা চারবা ইমুং মঙা লৈরফাওবদা কনামত্তনা ঐগীদি নত্রগা ঐখোয়গীদি তোঙানবা হাউস নম্বর ওইনা ইখৎপীয়ু হায়না ৱাকত্তবা অসিনি। মশা–মশাগী ৱাকৎ লাক্ত্রবদি মরি লৈনবা সরকারগী মীওইশিংনসু করিসু নাচুংদে। মতাং অসিদনি ভোটর লিষ্টতা তোখায় চারবা ইমুং অমগী তোঙানবা হাউস নম্বর অমা ইখৎপা পানখৎপগী খুদোংচাবা ফংলিবসি।

হৌজিক–হৌজিকসু ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়াগী মখাদা রাজ্য অসিদা লৈরিবা এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সী খুদিংমক্কী পোল্লিং স্টেসনশিংদা লাক্লিবা ২০১৫ গী জানুৱারী ১ না য়ুম্ফম ওইরগা ভোট থাদবা য়ারবা মীওইশিংগী মমিং ইখৎপা, ভোটর লিষ্টতা য়াওরবা মীওইশিংগী অচুম–অরান শেমদোকপা অমদি পোল্লিং স্তেসনশিংগী ভোটর মশিং অমুক খাইদোক–খাইজিন তৌবগী থবক ইন্সপিসিয়েল রিভিজন ওফ হৈলেক্সন রোলস,২০১৫ পায়খত্তুনা চৎলি। মরি লৈনবা ইলেক্টোরেল রেজিসত্রেসন ওফিসার ওইরিবা ডিপুটি কম্মিস্নারশিং অমদি সব–ডিবিজনেল ওফিসারগী লিচিং মখাদা লম–লমগী থবক কয়া কন্না পায়খত্তুনা লৈরি। থবক অসিগীদকম পোল্লিং ষ্টেসন খুদিংগী ওইনা লৈবা বুথ লেবেল ওফিসারশিংনা য়ুমথোং খুদিং চৎতুনা ভোটর লিষ্ট তা অরান– অহুই য়াওবগী থবক লোইননা রাজনিতি দলশিংগী মীহুৎশিংগা তাথোক–তাশিন তৌশিন্নদুনা হেন্না অচুম্বা অমদি অফবা মখলগী ফোটো ইলেক্টোরেল রোল ওইহন্নবা থৌরাং লৌখৎলি। থৌরাং অসিগী মখাদা নৌনা ভোট থাদবা য়ারবা মীওইশিংগী মমিং মুৎথৎপা অমদি লৈফম হোংখ্রবা নত্রগা মাঙখ্রবা ইমুংশিং থিদোকপগী থবক য়াওনা চৎলিবা ২০১৪ গী নবেম্বর ফাওবা চৎথরবা য়ানা লৈরি। অসিগুম্বা মতম অসিদা লম্বী পাকথোকপদগী ময়ুম হোংখ্রবা নত্রগা ইমুং অমদা চাকখুম তোঙান্না চারবা কাংবুশিংনা তোঙানবা হাউস নম্বর পানখৎপা য়ানবগী চপ–চারবা তাঞ্জা হায়বদু ওইরবনি। মসিগীদমক্তা ইশা–ইশাগী পোল্লিং ষ্টেসনশিংগী বুথ লেবেল ওফিসার নত্রগা রাজনিটি দলশিংনা পোল্লিং ষ্টেসনশিংগী ওইনা হাপ্পা বুথ লেবেল এজেন্টশিং নত্রগা মরি লৈনবা এসদিও /এসদিসি ওফিসশিংদা দরকার লৈবা ফোর্ম সেগ্রীগেসন ফোর্ম নত্রগা করেক্সন ফোর্ম শিজিন্নদুনা তোখাই চারবা ইমুংশিংগী তোঙানবা হাউস নম্বর ভোটর লিষ্ট তা পানখৎপগী মতম ঐখোয়–ঐখোয়গী মাঙদা তাদুনা লৈরবনি। অসিগুম্বা তোঙান চারবা ইমুংশিংগী তোঙানবা হাউস নম্বর অমা পানখৎনবা/ ইখৎনবা থবক অসি রাজনিতি দলশিংগী মীহুৎশিংনা মরি লৈনবা ডিপুটি কম্মিস্নারগা স্পিসিয়েল রিভিজন ওফ ইলেক্টোরেল রোলস,২০১৫ অসিগী মিটিং পাংথোকপদা হেন্না লুম্না খন্নরগদি খুমাং চাওশিন্না থবক অসি মাঙলোমদা চংশিনবা ঙমগনি। অসিগুম্লবা তোঙানবা হাউস নম্বর কয়া পানখৎলকপদা হান্না লৈজরিবা মপুং ওইবা হাউস নম্বর অদু থুগাইরকপদা শেমদোক–শেমজিন অসি ইলেক্সন ময়াগী ভোটর লিষ্ট শেমদোক–শাদোকপা নত্তবনা ইরাই লাইনা পায়খৎপসু মরিলৈনবা ওফিসকী মীওইশিংদসু মনিং তমজগনি। থবক অসি পায়খৎলকপদা হান্না ভোটর লিষ্টতা য়াওরিবা ওরিজিনেল হাউস নম্বর অদু মপুম ওইনা লৈহৌরগা ইমুং অদুদা তোঙান–তোঙান চারিবা ইমুং–মচাশিং অদুগী তোঙানবা হাউস নম্বরশিং অদুনা ভোটর লিষ্টকী অরোইবা শরুক্তা হাপচিল্লক্তুনা তোখায় চারবা ইমুংশিংবু তোঙানবা হাউস নম্বর পীদুনা কান্নবা পীদুনা কান্নবা পিবা অসিনি। পায়খৎলিবা থৌরাং অসিদা কান্নবা পীগদৌরিবা অসি সধারন প্রজা অমসুং সরকার অনিমক্তনি। থবক অসি পায়খৎপদা য়ুম্বু অদুত্তা নত্তনা লৈকাই–লৈকাইগী রাজনিটি ৱাকর/ বুথ লেবেল এজেন্টশিং/ রেসনিং এজেন্টশিং অমদি সরকারগী মরি লৈনবা মীওইশিং বুথ লেবেল ওফিসারসিং লোয়ননা ইলেক্টোরেল রেজিসত্রেসন ক্লার্ককী থৌদাংসু লৈত্তবা নত্তে। খ্বাইদগী লুরিবদি থবক থানা অমা পায়খৎপদা মানা তৌজনি ইহ্নোক্লরগা থৱাই য়াওনদ্রবদি থবক অদু কৈদৌনুংদা মাইপাকপা ঙমদবা অসিনি। অদুনদি অৱাবা ফংলবা ইমুং অদু অসুম ৱাবা তাবনি।